# চাইনিজ এয়র ফোর্সনা লোং রেঞ্জ ড্রিলশিং পাঙথোকখ্রে



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১২ :
চাইনিজ বোম্মরশিং, ফাইটরশিং অমসুং আর্লি ৱার্নিং অমসুং এরিয়েল রিফ্যুলিং এয়রক্রাফটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টাইৱান অমসুং ফিলিপিন্সপু অমগা অমগা তোঙান্না লৈহল্লিবা বাশি চেন্নেল লান্দুনা ৱেষ্টর্ন পেসিফিকতা এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখ্রে হায়না এয়র ফোর্সনা ফোঙদোল্লি।

চাইনিজ এয়র ফোর্সনা এক্সরসাইজশিং অদু মহৌশাদগী চত্থদুনা লাকপা চহীগী ওইবা হান্ননা থৌরাং তৌবা ড্রিলশিংগী শরুক্লি অমসুং মখোয়বু ইন্টরনেসনেল লো অমসুং প্রেক্টিসকসু চান্ননা পাঙথোক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনানা সাউথ অমসুং ইষ্ট চাইনা সিশিংদা লৈরিবা লমগী য়েৎনবশিংদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা হেল্লকখিবগা লোয়ননা এক্সরসাইজশিং অদু পাঙথোরক্লিবনি।

মসিগী খোঙথাং অসিনা ট্রেনিংগী খুত্থাংদা এয়র ফোর্সকী তৌবা ঙম্বশিং হেনগৎহন্দুনা নেসনেল সোভরন্টি অমসুং নেসনেল সিক্যুরিটি ঙাকপদা অমসুং ঈং-চিক্না চাউখৎপগী ফীভম লাকহল্লগনি হায়না এয়র ফোর্সনা মসিগী ওফিসল মাইক্রোব্লোগতা ফোঙদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

'মসি ঈশিং মপান্দা লৈবা ষ্টেটশিংগী এয়র ফোর্সশিংনা তৌবা কম্মন প্রেক্টিস অমনি অমসুং চাইনাগী নেসনেল দিফেন্স অমসুং মিলিটরি শেমগৎ শাগৎপগী ওইনা মহৌশাগী ওইবা তঙাই ফদবা অমনি হানা ষ্টেমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

এয়র ফোর্সনা 'অহানবা ঈথৎ পরিংগী' মথক লান্না পাইদুনা রেগ্যুলর এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্কনি হায়না জপানগী রূ্যক্যু ঈথৎশিং অমসুং মশানা লৈঙাকচবা টাইৱান য়াওবা এরিয়া অমদা রিফরেন্স পীরদুনা এয়র ফোর্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এক্সরসাইজশিং অদুদা আর্লি ৱার্নিং অমসুং পাইরিঙৈদা থাউ হানবা য়াওরি। মদুনা এয়র ফোর্সনা ময়ুমদগী লাপথোকখ্রগা লাল শোক্লবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

চাইনানা ষ্টিলঠ জেটশিং, সবমেরিনশিং, এয়রক্রাফ্ট কেরিয়রশিং অমসুং এন্টি- সেটলাইট মিসাইলশিং য়াওনা এদভান্স ওইরবা অচৌবা মিলিটরি ইক্বিপমেন্টদা রিছার্চ খংয়াং য়াংখৎলকখিবনি। চাইনাগী খোঙথাং অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা লৈবাক কয়ামুক নুংনাংহনবদা নত্তনা য়ু এসপুসু নুংনাংহনখিবনি।

# সিরিয়ন রেবেলশিংনা চিংন-চিংননা সিজফায়র ৱেলকম তৌরি



য়ু কে, বৈরুট, সেপ্টেম্বর ১২ :
লালনা চৈথেং চাউনা নংহল্লবা লৈবাক সিরিয়াদা সিজফায়র চৎনহল্লকপা হায়বসি মখোয়গী ওইনদি লাংদা থুবা ওইনা থোকপা য়াই, তৌইগুম্বসুং মদুনা বাশর অল অশাদকী গভর্ণমেন্টদদি কান্নহনগনি হায়না সিরিয়র রেবেল গ্রুপশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং রসিয়ানা ৱাতেমদুনা লৈবাক শিন-থুংনা চৎনগদবা সিজফায়র অমা ঙসি নুমিদাং হায়বদি য়ু কেগী মতমদা নুংথিল পুং ৪.৪৫ দগী হৌগদবনি। তৌইগুম্বসুং রেবেল কাঙবু খরনদি দিল অদুনা সিরিয়ন মীয়ামগী অৱাবা হেনগৎহনবা নত্তনা অতৈ কান্নবা পুরক্লোই হায়না ক্লেম তৌরি।

য়ু এসতা থাবা লেট্টর অমদা ফ্রী সিরিয়ন আর্মিনা হায়খি, গ্রুপ অসিনা কো-ওপরেসন নিংথিনা পীনবা অমসুং সিজফায়র অদুবু ঈকায় খুম্ননবা থৌরাং তৌরি, তৌইগুম্বসুং মদুবু চৎনহনবগী মেকানিজমশিং ৱাৎপা অমসুং লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী হেন্না লাঙ্গোই চন্দুনা থল্লিবা মফমশিংগী প্রোভিজন য়াওদবনা ক্রুস অদু নুংনাংনিংঙাই মচাক অমা ওইরি।

এফ এস এনা ক্লেম তৌখি মদুদি, নুশরা ফ্রন্ট হায়না খঙনবা হান্নগী অল কাইদাগী এফিলিয়েট জাভাট ফাতেহ্ অল সাম গ্রুপপু সিজফায়র অদুদা য়াওহনদ্রিবদু রসিয়ানা অতৈ রেবেল গ্রুপশিংদা বোম থাদনবগী মরম ওইহনবা য়াই।

ক্রুসকী দিল অদুদা য়াওদবদুদা রিয়েক্ট তৌরদুনা জাভাট ফাতেহ্ অল সামগী স্পোক্সমেন অমনা ট্বীটরদা হায়খি মদুদি 'মখোয়বু সিজফায়র অদুনা কোলহন্দবগী মরমদি থিবদা য়াম্না লাই। মদু রসিয়ন অমেরিকান দিল অদুনা সিরিয়নশিংবু ঙাক শেনগদবা নৎত্রগা কনগদবা কাঙবুশিংবু মাংহনখিনবগীদমক্তনি।

চৈরকসিদা, হিরম কয়াদা ঈথিল পীবা ঙম্বা অলত্রা কঞ্জার্ভেটিভ অহ্‌রর অল সামনা ভিদিও অমা থাদোক্তুনা চেকশিন ৱা হায়খ্রে মদুদি চহী তরুক লাল থেংনদুনা অৱাবা খাংলক্লবা সিরিয়াগী মীয়াম্ন া তঙ্খায়খক্কী ওইবা সোল্যুসনশিং য়াবা ঙম্লোই।

মমাঙগী পিছ এগ্রীমেন্টশিং চয়োল খরা চৎনরম্লগা অরেম্বা তাখিবনি। য়ু এসনা বাশর অল অশাদ অমসুং মহাক্কী য়েক্লবশিংবু সিজফায়র চৎনগদবা মতমদা ওপোজিসন গ্রুপশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংদা লান্দাই হায়না মরাল শীখি।

# ন্যুমোনিয়া নারে হায়বদগী হিলারি ক্লিন্টনগী হকচাংগী ফীভমগী মরমদা ৱাহং কয়া লাকখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১২ :
চয়োল কয়ামুক হিলারি ক্লিন্টননা মহাক্কী হকশেলগী মরমদা হংলকপা ৱাহং কয়া লৌতুনবগী ঠিওরি অমনি তারুদুনা কান্নদে খন্দুনা মনাদা হাপ্তুনা লাকখি। মহাক্না মদু মহাক্কী লম্বা ওইরিবা দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাকপু মায়থীবা পীনবগী তোপ তোপ্পা 'লম্বী মচা' অমা থিবদা পুথোরকপা ৱাফমনি অরুবা নত্তে হায়না থৌশাখিদে।

তৌইগুম্বসুং মহাক্কী হকচাংগী ফীভমগী ৱাফম অসি তরায় তরায়না লৌবা ইয়া য়াদবগুম তৌরক্লি। নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যু য়োর্কতা ৯/১১ গী নিংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মরক্তা ক্লিন্টননা খঙহৌদনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিবা অমসুং দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিয়ল নোমিনী অদু ভিদিও অমনা মঙম য়াওদনা তুরোই-ঙাম্মোইচৎপা অমসুং খরা চৎলগা মশাদু মমাঙলোমদা কোন্থরকখিবগী শক্তম উৎলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফীভম অদু মহাক্কী রাইভল দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়বগুম্না অউবশিংদা অশেংবা অমগুম্না থোকহনখ্রে হায়রি।

নিংশিং থৌরম অদুদগী খঙহৌদনা থোকখিবদুদা দেমোক্রেটিক নোমিনি অদু তুরোই-ঙাম্মোই চৎলম্বদগী 'মশা লেকথরকপগী মওংদা' মীওই অহুম্না শৌরগা ভেন অমদা পুখৎখ্রে হায়না টি ভি রিপোর্টশিং অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী হকচাংগী মরমদা লৈরিবা চিংনবদু ক্লিন্টন অমদি মহাক্কী টিমগী মায়কৈদগী পুং নিপানলোম করিমত্তা হায়দবমখৈ তুমিন্না লৈশিনখিবদগী হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা মহাক হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা নিমোনিয়ানা নারে হায়না দাইগনোস তৌখিবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনসু চিংনবদুদা হেন্না মতেং পাংখি।

ক্লিন্টনগী দোক্টরনা হায়খি, মশাগী চহী ৬৮ শুরবা হান্নগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অদু গ্রাউন্দ জিরোদা পাঙথোকখিবা ৯/১১ গী থৌরমদা মশা কা হেন্না শাগৎলকপগা লোয়ননা দিহাইদ্রেসন তৌরকখি।

সবঅর্বান ন্যু য়োর্কতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা মশাদু য়েংলবা মতুংদা 'ক্লিন্টন হৌজিক রিহাইদ্রেসন তৌরি অমসুং নিংথিনা ফগৎলক্লি হায়না দোক্টর লিজা আর বারদকনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না মালেমগী খ্বাইদগী দিমান্দিং ওইবা থবকশিংগী পাঙ্গল অমসুং ফীভম অদু উৎনবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক্তা নোংমাইজিং নুমিৎতা উবা ফংনখিবা ক্লিন্টনগী শক্তম অদু প্রোব্লেম অমা ওইবগুম থোকখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং অথেংবদা মহাক্না নুমিৎ নীনি কালিফোর্নিয়াদা ফন্দ খোম্বা চৎপগী প্রোগ্রামগা লোয়ননা কেম্পেইনগী ইভেন্টশিং অমসুং টোক সো অমসু কেন্সেল তৌখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা তাংনা থোকপা থৌওংদা ঈচাউগী তেংবাঙগীদমক পব্লিক আপিল তৌখ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ১২ :
নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী মমাঙদা মশাবু মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌবা শিন্নীশিংগী পেরাদাইজ অমনি হায়না উখোক্ল বতা হোৎনদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক লমদমদা কা হেন্না ঈশিং-ঈচাউ থোকপদগী হায়দোক্লবা ৱাফমগা তৌথোক্কদবা, উখোক্কদবা থবকশিংগা চাউনা খেন্নবা লৈরগনি হায়বসি লৈবাক অসিনা য়াম্না তাংনা উৎপা থৌওং অমদা য়াজখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল ষ্টেট মিদিয়া ওইরিবা কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, কুমজা ১৯৪৫ দগী পাবদা 'খ্বাইদগী হেন্না কনবা নোংজু'না লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক লমদমদা শাথিনা অৱাবা নংহনখ্রে। লমদম অদুদা বিল্ডিং লিশিং কয়া ঈশিং-ঈচাউনা মাংহন-তাকহনখ্রে অমসুং মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে অমসুং মখল-মখা কয়াগী অৱাবশিং মায়োক্লরি।

নোর্থ কোরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুকশিংদা মথংগী পুং ৪৮ গী মনুংদা মিলিমিটর ২৫ দগী ১০০ ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌরি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কো-ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফ্যের্সকী ওফিসনা লমদম অদুগী নেচরেল দিজাষ্টর অদু কনফার্ম তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্ট দেটা পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা টাইফুন লাইঅনরোক্না চুহল্লকখিবা অকনবা নোংনা মুসান অমসুং য়োনশা কাউন্টিশিং অমসুং নোর্থ হাময়োং প্রোভিন্সকী হোইয়োং সিটিদা করম্না ঈশিং-ঈচাউ থোক্লকখিবগে হায়বদু ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩৩ ঈচাউদুদা শিখ্রে, মীওই ৩৯৫ না থিবা খঙদনা লৈরি, মীওই ১৪০,০০০ খুদক্তা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পীরকপা ঙাইদুনা লৈরি।

ঈচাউনা থোকহল্লিবা অৱা-অনা, মাং-তাকপগী চাং অদুক্কী মতীক চাউখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা তেংবাঙ নিবগী তঙাই ফদবা লাকখিবনি।


'অসুম্না লৈবাক অমনা মতেং নিরকপসি শুংতা তাখিদ্রিবা অমদি নত্তে, তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইফোং ফোংনা মতেং পাংবীনবা লাউথোরকপসি পংনা তাদে' হায়না হোংকোংদা লৈবা সিটি য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টরনেসনেল রিলেসন্সকী প্রোফেসর অমা ওইরিবা ব্রাদলি ৱিল্লিয়মসনা সি এন এনদা হায়খি।

কে সি এল এগী রিপোর্ট অদুনা ৱার্করস পার্টি ওফ কোরিয়া (ৱাই পি কে) গী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোক্লবা মফমশিংদা ভিক্টিমশিং কনবা অমসুং থিবগী থবক্তা থৱায় য়াওশিন্নবা পার্টিগী মেম্বরশিং অমসুং কোরিয়ন পিপলস আর্মিগী সর্ভিস পার্সনেল কাঙবুদা পব্লিক আপিল ইস্যু হায়খি। রিপোর্টতুগী মতুং ইন্না ৱাই পি কেনা ঈচাউগী ভিক্টিমশিংদা মতেং পাংনবগী মায়কৈদা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৈবাক শিন-থুংনা নুমিৎ ২০০ গী মাস মোবিলাইজেসন পাঙথোক্ল বগী ৱাফম ফাওবা হৌদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়া অসি কুমজা ২০১৬ কী ইকনোমিক ফ্রীদমগী ইনদেক্সতা ১৭৮ শুবা রেঙ্কতা লৈ অমসুং লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দ কা হেন্না ফত্তে হায়না হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা কুমজা ২০১৫ দা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি।

ৱিল্লিয়মসনা সি এন এনদা হায়খি মদুদি, ঈচাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা মফমশিং অদু শেল-থুম অমসুং চাউখৎপগী ফীভমদা কা হেন্না শোত্থরবনি হায়না লৌনৈ। মফমদুদা প্রিজন কেম্প কয়া লৈবগা লোয়ননা পিয়োংয়াংগী রেজিমদা হোষ্টাইল ওইবা ফোর্সশিংসু য়াওই।

# টর্কিনা সিরিয়াগী অলেপ্পোদা তেংবাঙগী কনভোই থাজিন্নবা থৌরাং তৌরি : প্রসিদেন্ট ইর্দোগন



ইষ্টানবুল, সেপ্টেম্বর ১২ :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা য়ানখিবা সিরিয়াগী ত্রুস নিংথৌ-কাবগী নুমিদাংদগী হৌনবা লেপ্ন-খিবগা লোয়ননা টর্কিনা চীঞ্জাক, অঙাংগী ফিরোলশিং অমসুং শান্নপোৎ ত্রক ৩০ হেন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিরিয়াগী সিটি অলেপ্পোদা থাজিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ইদ অল-অধাগী লাইশোল থৌরমদা শরুক য়ারম্লবা মতুংদা প্রসিদেন্ট টাঈপ ইর্দোগননা হায়খি, অহানবগী পুং ৪৮ গী সিজফায়র অদু চয়োল অমগা শাংদোরকপা য়াই অমসুং মদুগী তুংদা অমুক ফীভম য়েংলগা মতম শাংথখিবা য়াই, সিজফায়র অসিগী পান্দমদি 'ফার্ষ্ট ক্লাস পিছ' লিংবনি।

'ঙসি নুমিৎ তারবা মতুংদা য়ু এনবু ওইরো নৎত্রগা রেদ ক্রেসসেন্টবু ওইরো, মখোয়না হান্না লেপখিবা কোরিদোরশিং ফাওরগা মরু ওইনা অলেপ্পোদা চীঞ্জাক, শান্নপোৎ অমসুং ফিরোলশিং থাজিনগনি' হায়না ইর্দোগননা ইষ্টানবুলদা পাউমীশিংদা হায়খি।

'ঐখোয়গী রেদ ক্রেসসেন্টনা (টর্কিশ দিজাষ্টর এজেন্সি) এফাদকা কোওর্দিনেসন তৌনদুনা অল-রাই অমসুং জরাব্লস য়ৌশিন্নবা থবক তৌরি' হায়না মহাক্না সিরিয়ন বোর্দর টাউন অনীমক্কী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ভেসি কেনাকনা হায়খি, য়ু এনগী মিৎয়েং মখাদা টর্কিগী তেংবাঙ ট্রক ৩৩ রোম্না অঙাং ২০,০০০ গী খোঙউপশিং অমসুং ফিরোলশিং, চীঞ্জাক অমসুং শান্নপোৎ ময়াম অলেপ্পোদা পুরগনি। সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদ শৌগৎপা রসিয়া অমসুং রেবেল ফেক্সন খরা শৌগৎলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা পুরকখিবা ক্রুস অদুদা জিহাদিষ্ট গ্রুপ খরদি য়াওদে। নোর্দন সিরিয়াদা টর্কিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চয়োল অহুমগী মমাঙদা হৌখিবা মিলিটরি ওপরেসনশিংদু মখা তানা চত্থখিগনি হায়না ইর্দোগননা হায়খি।

লাল লেপ্নবগী য়ানবা পুরক্লবা অমসুং সিরিয়াগী লাঙ্গোই চন্দুনা লৈবা কম্যুনিটিশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙশিং থাজিন্নবা মমাঙদা হোৎনখিবশিং চয়োল খরা চৎনরম্লগা কায়খি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অশাদকগী ফোর্সশিংবু ওপোজিসন গ্রুপশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংদা এটেক তৌই হায়না মরাল শীখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি মদুদি, সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা থা অসিদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুবা কনভোইশিং থাজিনবদা অথিংবা থমখিবা অমসুং লাঙ্গোই চল্লবা অলেপ্পো সিটিদা ফ্যুঅল ফংদবগী ফীভম লাকপদগী ক্রুস অমা মায় পাকহনবগী তঙাই ফদবা লাকখিবনি।

# অফঘান মচাশিংনা ইন্দিয়াদা পোৎ য়োনবদা ৱাগাহ ক্রোসিং শিজিন্নবা য়াই : পাক

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ : অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশ্রাফ জিলানীনা পাকিষ্টানি বিজনেসমেনশিংগী ওইনা সেন্ট্রেল এসিয়াদা চৎনবগী ত্রাঞ্জিট ফেসিলিটি পীবা লেপ্লগনি হায়না কিহনখিবা মতুংদা অফঘান ট্রেদরশিংনা মখোয়গী পোৎ- চৈশিং ৱাগাহ বোর্দর ক্রোসিং ফাওরগা ইন্দিয়াদা পুশিনবদা অথিংবা থম্বা লৈতে হায়না পাকিষ্টান্না ফোঙদোকখ্রে।

অফঘান প্রসিদেন্টগী ৱারোলদা রিয়েক্ট তৌরদুনা পাকিষ্টানগী ফোরন ওফিসকী স্পোক্সমেন নাফীস জকারিয়ানা মিদিয়াদা ফোঙদোকখি মদুদি অফঘানিষ্টানগা য়ানখিবা অমগী মখাদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান ফাওরগা অফঘানিষ্টানদা পোৎ-চৈশিং থাবা য়াদে তৌইগুম্বসুং অফঘানিষ্টাননা পাকিষ্টান ফাওরগা ইন্দিয়াদা পোৎ-চৈশিং য়োনবা য়াই।

পাকিষ্টাননা লল্লোন-ঈতিক্কী ফাওদোক-ফাওজিনগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা অফঘান মীয়ামদা পীখিবা থাজবদু থবক্তা ওন্থোক্লে হায়না মহাক্না থাংজ নুমিৎতা বি বি সি উর্দুদা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### BPS RRB – CWE-V Notification 2016 – 16615 Officers (Scale-I, II & III) & Office Assistants (Multipurpose) Vacancy – Last Date 30 September

**IBPS RRB 2016**

Institute of Banking Personnel Selection (IBPS) invites Online Application for RRBs (RRBs-CWE-V) for the recruitment of Officers (Scale-I, II & III) and Office Assistants (Multipurpose) in Regional Rural Banks (RRBs). Common Written Examination will be conducted online by the Institute of Banking Personnel Selection (IBPS) tentatively in November and December 2016. Apply Online before 30 September 2016.

Job Location : All India
**Job Details :**
**Name of Posts :**
Post Name : Office Assistant (Multipurpose)
No Of Vacancy : 8824 Posts
Pay Scale : Rs.7200-19300/-
Post Name : Officer Scale- I
No Of Vacancy : 5539 Posts
Pay Scale : Rs.14500- 25700/-
Post Name : Officer Scale- II (General Banking Officer/ Specialist Officers )
No Of Vacancy : 521 Posts
Pay Scale : Rs.19400- 28100/-
Post Name : Officer Scale- III
No Of Vacancy : 198 Posts
Pay Scale : Rs.25700- 25700/-

**Eligibility Criteria for IBPS RRB Exam :**
Educational Qualification :
For Office Assistant (Multipurpose) & Officer Scale- I : Degree in any discipline from a recognized University or its equivalent and Proficiency in local language as prescribed by the participating RRB/s.
For Officer Scale- II : Degree in any discipline from a recognized University or its equivalent with a minimum of 50% marks in aggregate OR Degree from a recognised University in Electronics / Communication / Computer Science / Information Technology or its equivalent with a minimum of 50% marks in aggregate OR Certified Associate (CA) from Institute of Chartered Accountants of India OR Degree from a recognised University in Law or its equivalent with a minimum of 50% marks in aggregate OR MBA in Marketing from a recognized university OR Degree in Agriculture/ Horticulture/ Dairy/ Animal Husbandry/ Forestry/ Veterinary Science/ Agricultural Engineering/ Pisciculture from a recognized university or its equivalent with a minimum of 50% marks in aggregate.
For Officer Scale- III : Degree in any discipline from a recognized University or its equivalent with a minimum of 50% marks in aggregate and Minimum 5 years experience as an Officer in a Bank or Financial Institutions.
Nationality : Indian
Age Limit : (As on 01.09.2016)
For Office Assistant (Multipurpose) : 18 to 28 years
For Officer Scale- I : 18 to 30 years
For Officer Scale- II : 21 to 32 years
For Officer Scale- III : 21 to 40 years
Age of Relaxation :
Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Other Backward Classes : 3 years
Persons With Disability : 10 years
Selection Process : Selection process will be based on Online Exam & Interview.
**Application Fee :**
For SC/ST/PWD/EXSM Candidates : Rs. 100/-
For All Others Candidates : Rs. 600/-
Candidates have the option of making the payment of requisite fees/ intimation charges through the ONLINE mode using Debit Cards (RuPay/Visa/MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.
**How to Apply IBPS RRB Vacancy :** Candidates are required to apply online through IBPS website http://www.ibps.in/ between 14.09.2016 to 30.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 14.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 30.09.2016
Date of Online Payment of Application Fees : 14.09.2016 to 30.09.2016
Download of Call letter for Examination : October 2016 for Officer Scale-I & November 2016 for Office Assistant
Date of Preliminary Online Examination : Officer Scale-I – 05 & 06.11.2016 Office Assistant- 12, 13 & 19.11.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.ibps.in/wp-content/uploads/Detailed_Advt_for_Recruitment_of_CWE_RRBs_V.pdf
Apply Online : http://www.ibps.in/cwe-rrb-v/?doing_wp_cron=1473431572.3691740036010742187500

### SSCMPR Recruitment 2016

SSC MPR Region invites application for the post of 08 Junior Chemist, Foreman & Various Vacancies. Apply Online before 06 October 2016.

Advt No. : 01/2016
**Job Details :**
Post Name : Junior Chemist
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

Post Name : Foreman (Horticulture)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-

**Eligibility Criteria for SSCMPR Recruitment :**
**Educational Qualification :**
For Junior Chemist : Master's degree in Chemistry or Dairy Chemistry or Oil Technology or Food Technology from a recognised University. OR Bachelor of Science Degree with Chemistry as one of the subject or Bachelor of Science (Hons) in Chemistry from a recognized University or equivalent and with two years experience in analytical work.

For Foreman : B.Sc. Agriculture or B.Sc. Horticulture.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 06.10.2016
For Junior Chemist : 30 years
For Foreman : 18 to 25 years
Job Location : Raipur (Chhattisgarh)
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Net-Banking/Credit Cards/Debit Cards" or through SBI Challan. All Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, Physically Handicapped and Ex-Servicemen, eligible for reservation, are exempted from paying application fee.
**How to Apply SSCMPR Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the website http://ssconline.nic.in on or before 06.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 06.10.2016
**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.sscmpr.org/noticeboard/ADVERTISEMENT_NO_MPR_01_2016_ENGLISH.pdf
Apply Online : http://ssconline.nic.in/sscselectionpost